## নো দিল লেজিসলেসন পুথোক্লগনি

লন্দন, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী থৌরাং থিংনবগী লেজিসলেসনগী প্লানশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুথোক্লগনি হায়না বৃটেনগী ওপোজিসন লেবর পার্টিগী টেজরিগী স্পোক্সমেন জোন মেক-দোনেলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। চয়োল অমগী মনুংদা লেজিসলেসন অমা পুথোকপা হায়বসি কয়াম্না লুবগে হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না মুন্না খঙবদগী মহাক্না পার্লিয়ামেন্ট প্রোরোগ তৌনবা হোৎনরক্লিবনি হায়না মেক দোনেলনা স্কাই ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

## হেলিকোপ্টর কায়বদা তরুক শিরে

ওস্লো, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
নোরদর্ন নোরৱেদা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা সিভিলিয়ন হেলিকোপ্টর অমা কায়খিবদা অতোংবা মীওই তরুকমক শিখ্রে হায়না পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ক্রাস অদুদা খুদক্তা শিহৌদবা মীওই অমদি হোস্পিটালদা লায়কন্নবদা শিখিবনি।

# রখাইন ষ্টেটতা হাৎপা-তুপ্পা, ওৎ-নৈবদা চেন্নরম্বশিংদা চৈরাক ফংগনি : ম্যান্মার আর্মি



য়াঙ্গোন, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
রখাইন ষ্টেটতা মাইনোরিটি রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংদা ওৎ-নৈখি অমদি হাৎপা-তুপ্পগী চথখি হায়বা থৌদোকশিংগী মতাংদা পাঙথোকপা অনৌবা ইনক্বাইরিদা থৌদোকশিংদুদা চেন্নে হায়না খঙলবা মিলিটরি পর্সনেলশিং ম্যান্মারগী আর্মিনা কোর্ট-মার্সিএল তৌরগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৭দা ষ্টেট অদুদা ম্যান্মার মিলিটরিনা মুস্লিম লালহৌবশিংগী মায়োক্তা চথখিবা অকনবা কেম্পেন অমদা রোহিঙ্গা মুস্লিম ৭৩০,০০০ হেন্না ষ্টেট অদু থাদোক্তুনা য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশতা চেন্নখিবনি। ম্যান্মার মিলিটরিগী শাথিরবা কেম্পেন অদুবু কাঙলুপ অমবু তোরা তুনা হাত্তুনা মুথৎনবা হোৎনবগী থৌওংনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিত্তা কম্মান্দর-ইন-চীফ মিন ওং হলাইংগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা নোরদর্ন ষ্টেট অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখিবা মিলিটরি কোর্টকী টিম অমনা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং পাক্তক্না হাৎখিবা মফমনি হায়না হায়নরিবা খুঙ্গং অমদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা চেন্নবা লান্মী খরদি থৌদোকশিং অদুগী মতুংদা মশাদা অশোনবা লৈবগী মওং খরা উবা ফংখি।

কুমজা ২০১৮দা এসোসিএটেদ প্রেস ন্যুজ এজেন্সিনা মুথিদাওং টাউনসিপকী মনুং চনবা গুতারপিন খুঙ্গংদা য়ামদ্রবদা রোহিঙ্গাশিংগী মোংফম ৫ লৈরম্বগী মতাংদা রিপোর্ট অমা ফোঙখি। মতমদুদা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা টেররিষ্ট ১৯ শিখ্রে অমসুং মখোয়গী হকচাংশিং চেকশিন্ন লৈরোল চল্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। নোংমাইজিং নুমিত্তা মিলিটরিগী স্পোক্সমেন তুন তুন নয়িনা রোইটর্সতা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী ফাইন্দিংশিং অরোনবনি হায়খি।

# ইদলিবতা য়ু এস এয়রষ্ট্রাইক্তা রেবেল ৫০ শিরে



দমাস্কস, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী নোর্থ-ৱেষ্টর্ন প্রোভিন্স ইদলিবতা পাঙথোক্লিবা রেবেল কম্মান্দরশিংগী মীফম অমদা টার্গেট তৌদুনা থাংজ নুমিত্তা য়ু এসনা লুচিংদুনা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা অয়াম্বনা কম্মান্দরশিং ওইবা রেবেল ৫০ রোম শিরে হায়না ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস ৱার মোনিটরগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, মীফম অদুদা হুরাস অল-দিন অমসুং অন্সার অল-তৌহিদ গ্রুপশিংগী কম্মান্দরশিং পুনখি। গ্রুপ অনীমক অল কাইদাগা মীচং চুংশিন্নবা ঙাক্তনি।

অহেনবা হকচাং কয়া থেংনবা লেপত্রি হায়রদুনা এয়রষ্ট্রাইকশিং অসিদা শিখিবা মীগী মশিং ৫০ হেনবা য়াই হায়নসু ওবজার্ভেটরি অদুনা ফোঙদোকখি।

বৃটেন্দা বেজ তৌবা ৱাটচদোগ গ্রুপ অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না মীটিং অদুদা য়ামদ্রবদা য়াম্না পোকখায়গনবা মিসাইল ৭ শীজিন্নদুনা টার্গেট তৌখি। য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দনা ইদলিব প্রোভিন্সতা অল-কাইদাগী লুচিংবশিংদা এটেক তৌখি হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌখি।

# বিল্ডিং কয়া মৈ থাখিবা পপুৱাগী প্রোটেষ্টরশিং ফাগৎখ্রে



জকার্টা, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা বিল্ডিং কয়া মৈ থাখিবা মতুংদা ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোক থংবা মতাইগী লমদম ওইরিবা পপুৱাদা পুলিসনা মীওই কয়ামরুম ফাগৎখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা পুলিস স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা কাঙলুপ নাইবা থৌওং কয়া চথখি হায়বগী ৱাহৌদা মফম অদুদা চয়োল অনীরোম মীয়াম্না ইরাং কন্না হৌখিবনি। প্রোটেষ্টর খরনদি লমদম অদু তোঙানবা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈননবগী রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্লুবা ফাওবা দিমান্দ তৌরি। তৌইগুম্বসুং ওথোরিটিশিংনদি অসিগুম্বা দিমান্দ খন্নবগী ৱাফম লৈরোই হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি।

প্রোভিন্সিএল কেপিটেল জয়াপুরাদা মীওই ২৮ ফাগৎখিবা মীওইশিং অদু য়ুম মৈ থাবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ওইবা য়াই হায়না খন্নবগা লোয়নন্না অহেনবা ইনভেষ্টিগেসনসু মখোয়গী মথক্তা চথগনি হায়না পপুৱান পুলিসকী স্পোক্সমেন অহমদ কমালনা ফোঙদোকখি।

শগোলশেল নুমিত্তা জয়াপুরাদা চথখিবা প্রোটেষ্ট অমগী মতুংদা ফাগৎখিবা মীওইশিং অদু মাল-চাংশিং মৈ থাবা অমদি মাঙহন-তাকহনবা, ভাইওলেন্স অমদি কাইহৌবগী থৌওং চথবগা লোয়নন্না লুট-পাৎনচিংবা তৌবগী কেসশিংদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা ইরাং হৌরিবা মীওইশিং অদুনা কার কয়া অমসুং লোকেল পার্লিয়ামেন্ট ওফিস অমা অমদি ষ্টেটনা কন্ত্রোল তৌবা টেলকো ফার্মগী ওফিসশিং লৈবা বিল্ডিং অমা য়াওনা বিল্ডিং কয়ামরুম প্রোটেষ্ট অদুদা মৈ থাখিবনি। কমালনা পপুৱাদা হৌজিক্তি ইরাং নেমথরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দোনেসিয়াগী কেপিটেল জকার্টাদা ষ্টেট সিক্যুরিটিগী মায়োক্তা ক্রাইম কয়া তৌখি হায়না চিংনবা মহৈরোয় অনী ফারে হায়না থাংজ নুমিত্তা পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। জকার্টাগী লিগেল এইদ উকিল অমনা মহৈরোয় অনীদু লৈবাক অদুগী অমত্তা ওইবগী মায়োক্তা লৈবাক্কী থাজবা মাঙহন্দুনা চিংননিংঙাই ওইবা থৌওংশিং চথবগী মরাল শীরে হায়খি।

# য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চথবদগী সীজফয়ারগী ফিভম লুরে



মোস্কো, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
মমাংদা পুরকখিবা এগ্রীমেন্ট কয়া খোঙ্গাওনদুনা সিরিয়াগী ইদলিবতা শেল্লিবা দি-এস্কেলেসন জোনদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এয়রষ্ট্রাইক কয়া চথদুনা মীশি-মীনা অমদি অমাঙ-অতা কয়া থোকহনবগা লোয়নন্না মফম অদুদা চৎনরিবা সীজফয়ারগী ফিভম লুহল্লে হায়না রসিয়ন মিলিটরিগী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়ন ন্যুজ এজেন্সিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

তাস ন্যুজ এজেন্সিনা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুগী মতাংদা রসিয়া নৎত্রগা টর্কিদা মাঙজৌননা খঙহন্দুনা ৱার্নিং তৌরকখিবা লৈতে। লমদম অদুদা ইনৌ নৌনা রসিয়া অমসুং সিরিয়ন ৱার প্লেনশিংনা রেইদশিং পাঙথোকখিবা লৈতে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মখা তাখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সকী শরুক অমা ওইরিবা য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা অমদা, য়ু এস ফোর্সশিংনা অল-কাইদাগী লুচিংবশিংদা টার্গেট তৌখিবা এটেক অমদা সিরিয়াগী ইদলিবকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা অল-কাইদাগী ফেসিলিটি অমদা এয়রষ্ট্রাইক চথখি হায়না পনখিবনি। এটেকশিং অদুগী মতাংদা সিরিয়না ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখি মদুদি, এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুনা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবদা লৈবা জি হাদিষ্ট ফাইটরশিংগী বেজশিংদা মীশি-মীনা অমদি অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি।

য়ু কেদা বেজ তৌবা মোনিটর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইদলিব প্রোভিন্সকী মারাট মিশ্রিন টাউন মনাক্তা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিং অদুদা কম্মান্দর খরা য়াওনা মিলিটেন্ট ৫০ রোম শিখি। রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিত্তা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তগী দি-এস্কেলেসন জোনদা য়ুনিলেটরেল সীজফয়ার পাঙথোক্লিবা হায়না লাউথোকখিবনি।

# মাদুরো য়াওদ্রবদি কলম্বিয়ানা রেবেলশিং থেংনবদা লায়গনি




বোগোতা, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
করিগুম্বা ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা পৱার পায়দবগী ফিভম ওইরবদি কলম্বিয়ানা লৈবাক অসিগী রেবেল গ্রুপশিং থেংনবদা লায়না থোক্কনি হায়বসি চিংননিংঙাই ওইদে হায়না কলম্বিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

করাকাসনা রেবেল গ্রুপশিং অদুদা চঙজফম পী হায়বা মরাল শীবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুরিঙৈ চৈরক্তা কলম্বিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা রেভোল্যুসনরি আর্মদ ফোর্সেস ওফ কলম্বিয়া (এফ এ আর সী) গী হান্নগী লিদরশিংনা অনৌবা ওফেন্সিভ অমা হৌরগনি হায়না লাউথোকখি। ভেনিজ্যুএলাদা লৌখিবনি হায়না থাজনবা ভিদিও অমদা এফ এ আর সীগী হান্নগী লুচিংবশিং অদুনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

হান্নগী এফ এ আর সীগী কম্মান্দরশিং ইভান মাদকিজ অমসুং জেসস সান্ট্রিচপু য়ু ট্যুব ভিদিও অদুদা খুৎলায় পায়বা ফাইটরশিংনা কোয়শিনবগী শক্তম উৎখিবগা লোয়নন্না মায়কৈ কয়াদগী কুমজা ২০১৬ পিছ একোর্দ অদুবু খোঙ্গাওনরে হায়না হান্নগী কম্মান্দরশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

এক্স-এফ এ আর সী কম্মান্দরশিংগী ৱাফম অদুবু প্রসিদেন্ট ইভান দুকিগী গভর্নমেন্ট, য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং এফ এ আর সী পোলিটিকেল পার্টিনা কন্দেম তৌখি। খুদোংচাদবা অমসুং খুদোংথিবা কয়া লৈদুনসু হান্নগী রেবেল অয়াম্বনা লৈবাক অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনবদা থাজবা থম্নরি হায়না এম এ আর সীগী পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

মীওই ২,২০০ হেনবা য়াই হায়না চাওরাক্লা পান্নরিবা দিসিদেন্টশিং অমসুং তোঙানবা রেবেল গ্রুপ অমা ওইরিবা নেসনল লিবরেসন আর্মি (ঈ এল এন) গা লান্থেংনবা হায়বসি মাদুরোনা পৱার পায়দ্রবা মতমদা লায়না থোক্কনি হায়না ফোরেন মিনিষ্টর কর্লোস হোমস ট্রুজিলোনা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু মাদুরো গভর্নমেন্টনা দিসিদেন্টশিং চঙজফম পী হায়না থাজরিবনি।

# হেজবোল্লাহনা ইজরেলি ফোর্সশিং থেংননবা শেম শাখ্রে




বৈরুট, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
ইজরেলগী মিলিটরিনা বোর্দর মনাক্তগা অহেনবা ফোর্সশিং চঙশিন্নবা ওর্দর তৌখিবা মতুংদা লেবানিজ মিলিটেন্ট গ্রুপ হেজ বোল্লাহনা চয়োল অমগী মমাংদা ইজরেলিশিংনা চথখিবা দ্রোন এটেক্কী পাউখুম পীনবা গ্রুপ অসিগী কম্মান্দরশিংনা শেম শারে হায়না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হেজবোল্লাহনা দোমিনেট তৌবা বৈরুটকী খা থংবা চিদাইগী শরুকশিংদা দ্রোন অনী তারক্তুনা পোকখায়খিবদগী ইরান্না শৌগৎপা লেবানিজ মুভমেন্ট অসিগা অমসুং গ্রুপ অসিগী মতম শাংলক্লবা য়েক্লবা ইজরেলগগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৬ দা নাকল অনীগী মরক্তা থা অমরোম চুপ্পা লান শোক্লখিবা লৈখ্রবনি।

হেজবোল্লাহগী লুচিংবা সয়েদ হসন নশ্রাল্লহনা লেবানিজ মীয়ামদা টেলিভিজন্দা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি মদুদি, লেবননগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনরিবা ইজরেলি দ্রোনশিং থেংনবদা ওফসন খুদিংমক শীজিন্নগনি। হৌখিবা চয়োলদা বৈরুটতা চথখিবা এটেক্তা দ্রোনশিং শীজিন্নখিবা অদুগী মায়োক্তা মতিক চাবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখত্তুনা পাউখুম পীহৌদবা তারবদি ঐখোয়দা মীশি-মীনাগী থৌওং কয়া চথরক্লগনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা ঐখোয়না তুমিন্না খাঙদুনা লৈবা ঙম্লোই। ইজরেলনা থৌওংশিং অদুগী পাউখুম মায়োক্লরগনি হায়না নশ্রাল্লাহনা ফোঙদোকখি। ইজরেলনা ইরানবু হেজবোল্লাহদা টার্গেট চপ চানা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্বগী মতিক ময়াই চেনবা মিসাইল শানবগী ফেসিলিটিশিং পী হায়না মরাল শীখ্রবনি। ইজরেলগী ৱাফম অসি বৈরুটতা ইজরেলি কাউন্টর-ষ্ট্রাইকশিং হেনগৎলক্লগনি হায়বগী ৱার্নিং অমা ওইবা য়াই হায়না থাজনখি।

ইজরেলি আর্মিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি মদুদি, হৌখিবা চয়োলদা ইজরেলি গ্রাউন্দ ফোর্সশিং, এয়র, নেভি অমসুং ইন্টলিজেন্স ফোর্সশিংনা নোরদর্ন কম্মান্দ এরিয়াদা তোঙান তোঙানবা লানগী ফিভম কয়া মায়োক্লনবা শেম শাবগী ফিভম ফগৎলে। ইজরেলি আর্মিনা ত্বিটর ফুটেজদা টেঙ্কশিং অমসুং গ্রাউন্দ ফোসশিং দিপ্লোই তৌবগী শক্তমশিং উৎখি।

# য়ু এসনা চাইনিজ ইম্পোর্টশিংদা চাদা ১৫গী টারিফ লৌরগনি



ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাওরাক্লা দোলর বিলিয়ন ১১২গী ওইগদবা চাইনাদগী পুশিল্লক্কদবা পোৎ-চৈশিংদা চাদা ১৫ গী টারিফ লৌননবা শেম শারি। চাইনিজ ইম্পোর্টশিংদা য়ু এসনা টারিফ চাদা ১৫ লৌননবা হোৎনরক্লিবসি প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা ওগষ্ট ১ দা কিহনখিবা টারিফকী চাং অদুদগী চাদা ৫গী পোইন্ট হেল্লবনি।

য়ু এস ট্রেদ রিপ্রজেন্টিটিভ ওফিসকী মতুং ইন্না অনৌবা টারিফ অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংয়াই মতুংদগী চৎনবা হৌরগনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অহেনবা টেক্সশিং লৌগদৌরিবা চাইনাগী পোথোকশিং অদুদা ফিরোল, খোঙউপ অমসুং স্কুল সপ্লাইশিং য়াওরি।

ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৫ দা দোলর বিলিয়ন ১৬০ রোমগী ওইগদবা স্মার্টফোনশিং, লেপটোপশিং, ভিদিও গেমশিং অতৈ কঞ্জুমর পোৎলমশিংদা চাদা ১৫গী টারিফশিং লৌননবগী ৱাফম চেৎনা ফোঙদোকখ্রবনি।

টারিফকী চাং অদু হান্না মহাক্না চাদা ১০ লৌবগী ৱাফম পনখ্রবা মতুংদা চাদা ১৫ দা হেনগৎখিবনি। প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা অহানবদা চাইনিজ পোথোকশিং অদুদা সেপ্তেম্বর ১ দগী অনৌবা টারিফশিং চৎনবা হৌরগনি হায়না কিহনখিবা মতুংদা মহাক্না খোঙথাং অদু হোলিদে সোপ্পিং সিজন্দা কা হেন্না অকায়বা থোকহন্দনবগীদমক্তা দিসেম্বর থাখায় ফাওবগী মতম চোন্থখিবনি।

চাইনানা অমেরিকান প্রদক্টশিংদা অনৌবা টারিফ কয়া লাউথোকখিবগী লমন খুম্বা ওইনসু ট্রম্পনা ওগষ্ট ২৩ দা টারিফ অনীরক হেনগৎপগী ৱাফমশিং লাউথোকখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা দোলর বিলিয়ন ১১২ গী চাইনিজ ইম্পোর্টশিংদা চাদা ১৫গী টারিফ চৎনবা হেক হৌখিবগা টারিফকী পর্সেন্টেজ মখা তানা চাদা ৬৮.৫ ফাওবা য়ৌহনগদৌরিবনি। চাদা ১৫গী টারিফ অসি দিসেম্বর ১৫ দা দোলর বিলিয়ন ১৬০ গী কঞ্জুমর ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিংদা চৎনহনবা তারবদি চাইনিজ ইম্পোর্ট চাদা ৯৬.৫ রোমদা টেক্স লৌবগী ফিভম লাক্কদৌরিবনি।

# রসিয়নশিংনা মোস্কোদা ফ্রী ইলেক্সন পাঙথোক্লুবা দিমান্দ তৌখ্রে

মোস্কো, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সি) :
রসিয়াগী কেপিটেল সিটি মোস্কোগী অনৌবা লেজিসলেচর খন্নবগীদমক্তা সেপ্তেম্বর ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরদুনা থাংজ নুমিত্তা রসিয়ন লিশিং খরনা সেন্ট্রেল মোস্কোগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা রেলি পাঙথোকখ্রে।

মমাংগী প্রোটেষ্টশিংদা ওথোরিটিশিংনা দেমোনষ্ট্রেরশিংবু ফোর্স শীজিন্নদুনা ফাবা-পুনবা কয়া তৌখিবা মতুংদা মখা তানা মফম অদুদা প্রোটেষ্ট পাঙথোকপদা অথিংবা থমখিবা থুগায়দুনা রসিয়নশিংনা সিটি অদুদা ফ্রী ইলেক্সন পাঙথোক্লুবা দিমান্দ তৌখিবনি।

কুমজা ২০১১-১৩ দা প্রোটেষ্টরশিংনা মীখলদা নমথাক্কী থৌওং কয়া চথখিবগী মায়োক্তগা লম্বীদা থোক্তুনা পাক শন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা মতুংদা রসিয়াদা ইনৌ নৌনা মোস্কো সিটিগী লেজিসলেচরগী মীখল পাঙথোকপগী মতাংদা চয়োল কয়ামুক দেমোনষ্ট্রেসন চথখিবগা লোয়নন্না খ্বাইদগী মতম শাংলবা প্রোটেষ্টকী ইহৌ ওইখি।

'রসিয়া নীং তম্লগনি অমসুং মসি ঐখোয়গী সিটিনি' হায়না খোঙজেল হৌনা লাউরদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা মোস্কোগী অচৌবা লম্বীশিংগী মনুংদা অমদা ফাওদুনা খোঙচৎ চৎখি। প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদু চাওরাক্লা লিশিং খরা ওইবা য়াই হায়না উহৌবশিংনা ফোঙদোক্লুখ্রবসু মোস্কো পুলিসনা রেলি অদুদা শুপ্পগী মীওই ৭৫০ না শরুক য়াখি হায়রদুনা মখোয়দা গভর্নমেন্টনা অয়াবা পীখিদবনা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ অদু ইলিগেল ওই হায়খি।



দেমোনষ্ট্রেরশিংনা ওপোজিসন কেন্দিদেন্টশিং মীরেপ ওইবা য়াহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরকখিবনি। অয়াম্বনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিং ওইনা চোংথোরকখিবা ওপোজিসন কেন্দিদেন্ট ৩০ রোম ইলেক্সন কম্মিসন্না শেমজিন-শাজিনবা ভোটর সিগনেচরশিং উৎলি হায়না মরাল শীরদুনা মোস্কো সিটিগী মীখল অদুদা য়াওবদা অথিংবা থমখিবনি।